ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নেসনল হেন্দলুম দেগা মরী লৈননা ওল্দ সেক্রেটেরিএটকী হোলদা কম্মর্স এন্দ ইন্দস্ট্রিজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ষ্টেট এৱার্দ ফোর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট য়েম্লোকপগী শক্তম

লামায় ৩

কোভিদ-১৯গী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা ৱাংখে লৌরেম্বম লৈকায়দা লৈবা মীয়ামদা শন্দংশেম্বা খুনগী ভিলেজ ওথোরিটিনা তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নবা

লামায় ৩

লিলোং পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টর কে বিক্রমজিৎনা ৱাংবলদা লৈবা এদ্যু-কেসন জিম ক্লব, ওল উয়াল অপুনবা কোভিদ কন্ট্রোল ভলন্টিয়রশিংদা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ গ্লোভ খুদোল তন্বা

লামায় ৩

মণিপুর পুলিস হাওসিং কোর্পোরেসন্দা এগজি ক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা য়েংখোম নিলচন্দ্রনা ককচীং ময়ায় লৈকায়গী লৈরক্কী লম্বী অয়ুংবগী কোংমকুৎশিং লৈবাক হাপচিন্দুনা শেমজিনখিবগী শক্তম

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.134 | থাংজ, থৱানগী ২০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ৪ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, August 08, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা মীওই ২৪৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা শিখিবা মশীং ১০ শুখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপগী মতৌ নোংম-নোংমগী শাথিবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা মীওই ২৪৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মীশিংনা ১০শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডো. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৮৪ অমসুং সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেল ১৬৬ পুন্না মীওই ২৪৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি রিমসকী ভি আর দি এলদা ৫৬, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ১৪৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ১১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল জিরিবামদা ২১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংদা ১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ককচীংদা ২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল উখ্রুলদা ১০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল কাংপোকপীদা ১ অমসুং এস টি দি সী/আই আর এলদা মীওই ১ কনফর্ম তৌখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৮৪ পোজিটিভ ওইবশিং অসিদা নুপা ৫৭ অমসুং নুপী ২৭ য়াওরি। মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৪, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মরোল থোকপা লাই / ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



নোমিনেট তৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): এম এল এ, ডা. সাপম রঞ্জন অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী এম এল এ রাজ কুমার ইমোনা ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা এম এল এ অব্দুল নাসির অমদি এম এল এ খাসিম বাসুমবু দিলিমিটেসন কম্মিসনগী এসোসিএট মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌরে হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী সেক্রেটেরি এম রমনিনা দিলিমিটেসন কম্মিসনগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কে এন ভারদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুং চন্দে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটাল অসি কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুং চন্দে হায়না স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হোস্পিটাল অসিগী মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওগষ্ট ২দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওথোরিটিনা থোকখিবা ওর্দর মতুংইন্না স্কাই হোস্পিটালবু কন্টেনমেন্ট জোন মনুং চনৱা নৎত্রগা চন্দৱা হায়বগী মতাংদা হার্ট পেসেন্ট কয়ানা টেলিফোন তৌদুনা হংলকপা লৈখ্রে। রেগ্যুলর কার্দিয়ক ও পি দি, ওপন হার্ট সর্জরি, কোরোনরি এঞ্জিওপ্লাষ্টি, আর এফ এব্লেসন ফোর ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরী (দি পি) নিংথৌজম জিওফ্রিনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না আই এ এস ওফিসার অহুমগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর, এস পি দি (সমগ্রা সিক্ষা, এস এ এ এন্দ রমসা) ওইবগী মথক্তা বোসেমগী চ্যেরমেনসু ওইরম্বা টি ঐচ কিরনকুমারনা সেনাপতিগী দি সী ওইনা, সেনাপতিগী দি সী ওইরম্বা লালিথন্বীগাই কেনা এদ্যুকেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HL Poll

Q: Leingakna tangaifadana mathou taba hidak-langthaksing meeyamda phanghannabagi thourang matik chana loukhatle haina khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurda Lockdowngi matam cheyol ama sangdo-khannaba cabinetna warep loukkhibashi achumba khongthangni haina khanbra ?

Yes 74% No 26%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৮৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৭১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৭৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙো ময়াম পুন্দুনা য়ু থকপা য়াদে হায়রে।
- ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯃꯌꯥꯝ ꯄꯨꯟꯗꯨꯅ ꯌꯨ ꯊꯛꯄ ꯌꯥꯗꯦ ꯍꯥꯌꯔꯦ॥



- ইথন্তা য়ুমদা ফম্মগা থক্লগে বাজি !
- ꯏꯊꯟꯇ ꯌꯨꯝꯗ ꯐꯝꯃꯒ ꯊꯛꯀꯒꯦ ꯕꯥꯖꯤ॥

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মমাঙ থাগী ২৪দা এম দি ইকবাল হক কৌবা মীওই অমা মবুক নাই হায়বদগী জেনিমসতা লায়েংনবগীদমক এদমিট তৌরবা মতুংদা ওপরেসন পাঙথোক্লব-গীদমক কোভিদ-১৯গী টেষ্ট য়াওনা মথৌ তাবা টেষ্টকী রিজল্টশিং লৌরবা মতুংদা ওপরেসন পাঙথোক্লবা ডোক্তর অমত্তা লৈত্রে হায়দুনা লমজিংবা হোস্পিটাল, ইম্ফালদা রিফর তৌবগা লোয়ননা মথং-মথং রিমসতা ফাওবা এদমিট তৌরুবদসু লায়েংবীদ্রে হায়দুনা জে নিমসতা অমুক পুরকপদা লৈখিদ্রে হায়বা ৱাকৎতগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)না মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র), রিমসকী দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি জেনিমসকী দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টতা নোটিশ ইস্যু তৌখি।

ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা কম্মিসনগী প্রোসিদিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

জেনিমসকী থবক থৌরমদা অপনবা থোক্কদবা খোঙজং চঙশিনবদা লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমসকী থবক থৌরমশিংদা অপনবা থোক্কদবা খোঙজং চঙশিনবদা খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটেরি (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাশনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, জেনিমসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, সিনিয়র রেসিদেন্ট এন্দ এসোসিএট প্রোফেসর (এ পি এস আর এ) কম্মিটিনা ওগষ্ট ১০ দগী হৌনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না নোটিশ পীরক্লে। ইসেন্সিএল সর্ভিসতা অপনবা থোক্কদবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম মণিপুর ইসেন্সিএল সর্ভিসেস এক্ট ১৯৮৪গী সেক্সন ২(এ)(৩)দা ময়েক শেংনা পল্লি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দো-রক্লিবা মরম্না এ পি এস আর এ কম্মিটিগী খোঙজং চঙশিল্লকপা মতমদা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা খুদোংথিবা মায়োক্লগদবা লৈবনা মথক্তা পনখ্রিবা এক্ট অসিগী মখাদা ইসেন্সিএল সর্ভিসতা লৈরিবশিংনা জেনিমসকী থবক থৌরমদা অপনবা থোকহনগদবা মওংদা খোঙজং চঙশিনবা খুদক্তগী অথিংবা থল্লে।

মণিপুর ইসেন্সিএল সর্ভিসেস মেন্টেনেন্স এক্ট ১৯৮৪গী সেক্সন ৩(এ) অমসুং সেক্সন ৩(৪)গী মতুংইন্না ইসেন্সিএল সর্ভিসতা লৈরিবা মীওই অমত্তনা খোঙজং চঙশিনবা য়াদে। কনাগুম্বনা খোঙজং চঙশিল্লকপা তারবদি লোগী মায়োক্তা চথবা থৌওংনি হায়না লৌগনি। ওর্দর অসি ওগষ্ট ৬তগী হৌরগা থা ৬ চুপ্পা চৎনগনি হায়রি।

কোর্টশিংগী রেগ্যুলর সিটিং ওগষ্ট ১৭ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বরনা থোকখিবা কোর্ট অসিগী নোটিফিকেসন নম্বর ৭৪গী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং/ ট্রাইব্যুনেলশিংগী রেগ্যুলর কোর্ট সিটিংশিং থা অসিগী ১৭ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা কোর্টশিং অমসুং ট্রাইব্যুনেলশিং অসিগী অর্জেন্ট মোসন কেসশিং অমসুং অকক্লবা রেগ্যুলর পেন্দিং কেস-শিংদি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা লৌখৎকনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না অখন্ননা ওর্দর পীরবা কেসশিংদি হায় কোর্টনা এপ্রিল ৮, ২০২০ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর-৫৫কী মতুংইন্না ভিদিও কনফরেন্সিং ফেসিলিটিগী খুথাংদা কেসশিং অদুগী প্রোসিদিংশিং পাঙথোক্কনি হায়রি। অদুবু করিগুম্বা ভিদিও কনফরেন্সিং পাঙথোকপদা মরম অমদগী খুদোংচাবা মায়োক্লরক্লগদি পর্মিসন লৌরবা মতুংদা কোভিদ-১৯ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন লুপা ২৫০ দা ফংহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি লায়রবা লৈবাকশিংগীদমক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ১০০ পুথোক্লবা বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসননা দোল্লর মিলিয়ন ১৫০ পীথরক্লে হায়না সিরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই)না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী হিদাক-লাংথক পুথোকপা কম্পেনি অসিনা এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা এস আই আইনা ভেক্সিন দোজ অমগী মমল লুপা ২৫০দা ফংহনগদৌরি। গেটস ফাউন্দেসন্না ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লায়রবা লৈবাকশিংগী য়েংলগা ইন্টরনেসনল ভেক্সিন এল্লাইয়ন্স জি এ ভি আইগী খুথাংদা ভেক্সিন অসি অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা নোভাভেক্সকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, নোভেল কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী ভেক্সিন অসি চাংয়েং তৌবদা এন্টি বোদি চাং ৱাংনা পুথোকপগী খুদম ফংলে।

মমাঙদা বৃটিশ-স্বিদিস ফার্ম এষ্ট্রাজেনেকা অমসুং নোভাভেক্সকা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে। জেনেকানা সিরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না ভেক্সিন অদুগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল চথনবগী অয়াবা পীখি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লাখ ২০ হেনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশিং লিশিং ৪১ হেনখ্রে। মালেমগী ওইনা অপুনবা কেস ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

এম এল এ ২গী শো কোজ নোটিশকী পাউখুম য়েংশিল্লি : ওকেন্দ্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): রাজ্য সভাগী মীখলদা কোংগ্রেসনা থাগৎপা মীরেপতা ভোট পীখিদবা পার্টিসিগী এম এল এ অনীদা শো কোজ নোটিশ থাখিবগী মতাংদা পীরকখিবা পাউখুম য়েংশিল্লি। দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা থবক লৌখৎলক্নি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, কোংগ্রেস এম এল এ অনী মথংশিংনা আর কে ইমো অমসুং ও হেনরিনা রাজ্য সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা থাগৎপা মীরেপকী মায়োক্তা ভোট পীখি। হীরমসিগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী মায়কৈদগী শো কোজ নোটিশ থাখি। এম এল এ অনীনা শো কোজ নোটিশকী পাউখুম পীরক্লে। পাউখুম পীরকপা মতমদা শো কোজ নোটিশকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া থল্লক্লি।

কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরগা পার্টিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। এম এল এ অনীনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা ৱা ঙাঙফম থোকই। পার্টিগী কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা ৱা ঙাঙলবদি দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিনা থবক লৌখৎলক্নি।

এম এল এ অনীনা শো কোজ নোটিশকী পাউখুমদা থল্লকখিবা ৱাফমশিং য়াম্না কূপ্না য়েংশিল্লি। পাউখুম পীরকপা মতমদা পার্টি মনুংদা ফিরেপ লৈতবা মানবা ৱাফমসু য়াওরক্লি। সী এল পিগী মথক্তসু ৱাফম ...মখা লামায় ৩ কলম ১

হোস্পিটালনা লায়েংবীয়ু য়াদ্রবদি হেল্প লাইন নম্বরদা ৱাকৎলক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী পব্লিক অমদি প্রাইভেট হোস্পিটাল খুদিংমক্তা পুখৎলকপা অনাবশিং লায়েংগদবনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ওর্দর অমা থোকখ্রবা মতুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা টোল ফ্রি ওইবা অমসুং পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌগদবা হেল্প লাইন নম্বর অমা হাংদোকখ্রে। কনাগুম্বা মীওই অমবু হোস্পিটালনা লায়েংবীয়ু য়াদবা তারবদি ষ্টেট হেল্থ এজেন্সীনা হাংদোকপা হেল্প লাইন নম্বর অসিদা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল এরিয়াদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎলকপা অনাবশিং নীংথিনা লায়েংহন্নবগী মতাংদা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা মোবাইল টিম অমা শেমদুনা নুমিদাং পুং ৭তগী মথং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা য়েংশিল্লগনি। মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিটাল খুদিংমক্লা অনাবা খুদিংমক লায়েংগদবনি। পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইকুইপমেন্ট শীজিন্নরিবা দোক্তরশিংনা অনাবা পুম্নমক লায়েংদ্রিঙৈদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌহনবা মথৌ তাদে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট হেল্থ এজেন্সীগী চীফ এগজিক্যুটিব ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রগী রেজিগনেসন অয়াবা পীখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা কেস

কোংগ্রেসনা রেস্পোন্দেন্ট ওইজগে হায়জরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীরগা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা ২১-নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদগী বি জে পিগী এম এল এ ওইনা কারকখিবা এস সুভাসচন্দ্রনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবগী রিজিগনেসন লেট্টরবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দর শীংনদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অনীরকশুবা ওইনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনদা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা য়াওজগে হায়রকখিবা কোংগ্রেসকী প্রেয়র কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা এক্স-এম এলএগী পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট পুম্নমক্লা মখোয়গী কাউন্টর এফিদেবিটশিং ফাইল তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

এক্স-এম এল এ, এস সুভাসচন্দ্রনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সিভিল) ৪৩৩ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিনা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লিবনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরি অমসুং স্পিকর অমদি মহাক্কী পর্সনেল দ্রাইভরনি হায়বা হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দগী হৈস্নাম ইঙোবা (৩৬), অপোকপা ঐচ মংলেমনি।

পিটিসন অসি জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা খন্ননবগীদমক লৌখৎপা হৌরকপদা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী হরেশ্বর গোস্বামি (৬১), অপোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কেরলাগী কোঝিকোদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা প্লেন কায়বদা ১৬ শিরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী): কেরলাগী কোঝিকোদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ঙসি এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট অমা রনৱে হেন্দোক্তুনা চেনখিবগা লোয়ননা কায়খিবদা মীওই ১৬ শিরে হায়না সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ)না ফোঙদোকখ্রে।

সী আই এস এফকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, থৌদোক অদুদা মীওই ৪৬সু ফীভম থিনা অশোক-অপন নংখি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা ইন্দিয়নশিং হোজিল্লকখিবা প্লেন অদুদা পুন্না মীওই ১৯১ তোংলকখি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অদু ঙসি নুংথিল পুং ২.১৪ রোম তাবদা দুবাইদগী পাইরকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়নগা টেলিফোনদা ৱারী শানদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ওগষ্ট ১৫দা ৱারোইশিন লাউথোক্লগনি হায়বসি তরাইনা লৌদে : য়ু সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লমখৈ শরুকশিং চেন্নবা পিছ টোক্ক ওইরম্লবদি লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱা য়াওদনা দিল্লিনা লোইশিনবা য়াবা ঙম্লোই। ওগষ্ট ১৫দা অরোইবা ৱারোইশিন লাউথোক্লগনি হায়বা অসি তরাইনা লৌদে। মীয়াম শেম শাদুনা লৈমিন্নরসি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিদগী হৌনা দিল্লিদা ফম্বা হৌখিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, এন এস সী এন (আই-এম) অমদি এন এন পি জি গী গ্রুপ য়াওবা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্লিবা অসি য়ু সী এমনা কূপ্না য়েংশিল্লি। পাঙথোক্লিবা মীফম অসিনা মতম শাংনা চথরক্লিবা পিছ টোক্ক অসি লোইশিনবা অমা নাইননবা হোৎনবা অসিসু তঙাইফদ্রবা ফীভম অমা ওইরে হায়না য়ু সী এমনা লৌই। তৌইগুম্বসুং চথরিবা পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারিবা পার্টি খুদিংমক য়ানবা লম্বী অমা থিনবা হোৎনবদা, লালহৌলুপ খরগী অপাম্বা পীননবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দামিন্নরিবা মরু ওইনা মণিপুর (কংলৈপাক) গী অপুনবা শক্তম অমদি খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা শিংচেপ থাবা অমদি লৈবাক মচেৎ তাহনবা য়াবা ৱাফমশিংদা পার্টি অমনা দিমান্দ তৌরক্লে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱা তারমদনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱারেপ লৌরকপা য়ারোই।

কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৫দা ন্যু দিল্লিদা কোকোমিগী অপুনবা মীহুৎশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর য়াওনা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়রস জি কিসন রেদ্দিগী মফমদা থল্লমখিবা ৱাফমশিং অমদি য়ানখিবা ৱাফমশিং অদুগী ৱাংমদা ৱারেপ লৌরকপা য়ারোই অমদি হায়নখিবা ৱাফমশিং অদুগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্লা থবক চথবীগদবনি হায়না য়ু সী এমনা নৌহৌননা নীংশিংদুনা চেকশিন ৱা থল্লি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমদি অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নরিবা পুন্সি মহিং অসিদা কাঙলুপ ফুরুপ মশেলগী মরক্তা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং থোকপা য়াবা ৱাফমশিং কনাগুম্বা লুপ অমদি লন্নাই মীওইশিংনা সোসল মীদিয়া অমদি অতৈ প্লেটফোর্মশিংদা ৱাফম থল্লোইদবনি। নাখৈ শেংবা ৱাফম অমা লাক্লিঙৈদা মীওই খরনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা শিংচেপ থাদুনা খুদোংচাবা লৌবগী চৎনবী অমা মতম শাংনা লৈরকখিবা অসিনা ঐখোয় মীয়াম মীকুপ নাহুমশিংনা লৈমিন্নদুনা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম কন্নবা হোৎনমিন্নসি।

চথরিবা পিছ টোক্ক অসিদা নাগানি হায়রিবা ফুরুপশিং অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা কা হেন্না থাজবা থমদুনা হায়নখিবা ৱাফম খুদিংমক থবক্তা ওন্থোরক্লগনি হায়না কা হেন্না থাজরুবনা ঙসিদি অমগা অমগা থাজনদবা অমদি অমনা অমদগী খুদোংচাবা লৌহৌনবগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাকপা শরৌ লাং অমদা থুজিনখিবনি হায়না লৌনরি। লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অমদি মচিন মনাওশিংগী মরক্তা য়ানবা অমা হান্না পুরক্লবা হোৎনদ্রিঙৈদা অমদি ঐখোয় মশেল তানদ্রিঙৈদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-C/170/1-31/8

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোভ অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি ওগষ্ট ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫